# চেলসিনা ব্রাইটোন এন্দ হোব এলবিয়োনবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে, ৱান্দরর্সসু মায়পাকপা ঙমখ্রে



লন্দন, সেপ্টেম্বর ১৫(এজেন্সী): মালেমগী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী ওইবা লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা য়াম্না মমিং লৈবা অমা ওইরিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী কুমজা ২০২০-২০২১ সিজনগী অহানবা রাউন্দগী মেচ অমদা ঙরাং চেলসি ফুটবোল ক্লবনা ব্রাইটোন এন্দ হোব অলবিয়োনবু পাঞ্জল ৩-১দা থোইখ্রে। অদুদা লীগ অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা ৱোলবরহেমটন ৱান্দরর্সনা শিফিল্ড য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ২-০দা থোইবা ঙমখ্রে।

চেলসি ফুটবোল ক্লবনা ইংলিস প্রেমিয়র লীগ অসিগী টাইটল ৫রক লৌবা ঙমখ্রবনি। টিম অসিনা ইকোন কোনবা ওইনা কুমজা ২০১৬-২০১৭কী সিজনদা টাইটল লৌবা ঙমখি।

কুমজা ২০২০-২০২১গী ওইনা ক্লব অসিনা ঙরাং শান্নখিব অহানবা লীগ মেচতা ব্রাইটোন এন্দ হোব অলবিয়োনগা লম্বা তৌনখিবনি। মেচ অদুগী অহানবা হাফতা টিম অনীম্মক য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা মিনট ২০ শান্নবা অদুদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

মেচকী ২৩শুবা মিনটতা চেলসিগী মায়কৈদগী জোর্গিনোনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মখোয়না ব্রাইটোন এন্দ হোব অলহিয়োনবু ১-০দা হেন্দুনা লৈখি। অহানবা হাফ অদুগী লেমহৌবা মিনট ২২রোমগী শান্নরকপদা স্কোর বোর্দতা অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদনা চেলসিনা ১-০দা মাংজিল থাবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ ব্রাইটোন এন্দ হোব অলবিয়োনগী মায়কৈদগী টারিখ লামটৈনা পীরকখিবা বোল অমদা টিমমেট লিয়েন্দ্রো ত্রোসার্দনা ইক্কেলাইজর অদু চন্দুনা টিম অনীম্মক ১-১দা লৈনখি।

পাঞ্জল মান্নরবা মতুং মেচ অদুগী মখা চথরকপা ৫৬শুবা মিনটতা চেলসিগী মায়কৈদগী জোর্গিনোনা পীখিবা বোল অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় রীসি জেমসনা পাঞ্জল অমা চনশিনবা ঙমদুনা মেচ অদু মখোয়না ব্রাইটোন এন্দ হোব অলবিয়োনবু ২-১দা হেন্দুনা লৈখি।

পাঞ্জল অমা শোথরবা ব্রাইটোন এন্দ হোব অলবিয়োননা ফনা কন্না হোৎনদুনা ইক্কেলাইজর অদু ফংননবা শান্নরকপা অদু অরেম্বা তাদুনা লৈরিঙৈ মেচকী ৬৬শুবা মিনটতা চেলসিগী মায়কৈদগী রীসি জেমসনা পীখিবা বোল অমদা টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় কর্ট জোমানা শান্নবগী ৬৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ৩-১দা হেন্দুনা লৈখি। মেচকী মখাতারকপা মতমশিংদা অইক্কেলাইজর লৈখিদবদগী চেলসি ৩-১দা মায়পাকখি।

অতেপ্পো মেচ অমদা ৱোলভরহেমটোন ৱান্দরর্সনা শিফিল্ড য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

মেচ অদুগী অহৌবা শুপ্নগী মিনট ৩ চঙশিল্লকপদা ৱোলভরহেমটোন ৱান্দরসকী রোল জিমেনেজনা টিমমেট দেনিয়ল পোদেন্সনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুগী মতুং ৬শুবা মিনটতা টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় পেদ্রো নেটোনা পাস তৌরকপা বোল অমদা রোমেন সাইসনা পাঞ্জল চন্দুনা ২-০দা হেন্দুনা লৈখিবা অদুনা অহানবা হাফ অদু লোয়শিনখি।

অনীশুবা হাফতা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখিবদগী মেচ অদু ৱোলভরহেমটোন ৱান্দরসনা শিফিল্ড য়ুনাইটেদপু ২-০দা থোইখি।

# এন্দি মুরে অমসুং বোকার্দ ৱাইল্ড কার্দ এন্ট্রি ফংখ্রে

পেরিস, সেপ্টেম্বর ১৫(এজেন্সী): সেপ্টেম্বর ২৭তগী হৌরগা ওক্টোবর ১১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দস্লাম টেনিস টুর্নামেন্টতা মমাঙদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবা গ্রেট বৃটেনগী এন্দি মুরে অমসুং কনাদাগী নুপীগী শান্নরোয় য়ুজিন বোকার্দ ৱাইল্ডকার্দ এন্ট্রি ফংখ্রে।

মশাগী চহী ৩৩ শুরবা গ্রেট বৃটেনগী এন্দি মুরে ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ স্লাম টেনিস টুর্নামেন্ট অসি কুমজা ২০১৭তা শান্নখিবা অদুগী মতুংদা হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইগদৌরি। কুমজা ২০১৭কী টুর্নামেন্ট অদুদা এন্দি মুরেনা নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপতা স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকাগা লম্বা তৌনবদা সেমি ফাইনেলদা লৈহৌবনি। এন্দি মুরে হন্দক্তা লোইশিনখিবা য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেনিস টুর্নামেন্টতসু ৱাইল্ডকার্দ এন্ট্রি ফংদুনা অনীশুবা রাউন্দদা মায়থীহৌবনি।

ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ স্লাম টেনিস টুর্নামেন্ট অসি মালেমগী ওইবা ক্লে কোর্টকী অমত্তা ঙাইরবা গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্টনি। থা অসিগী ২৭তগী হৌরগা ওক্টোবর ১১ ফাওবা চথুগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসি কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা চহীসিগী মে থাগী অরোইবা শরুক্তগী জুনগী হৌরকপা ফাওবদা পাঙথোক্কনি তৌরম্বদগী য়ৈথোরকপনি। নুপীগী মায়কৈদা কনাদাগী শান্নরোয় য়ুজিং বোকার্দ অমসুং বলগেরিয়াগী স্বেতানা পিরোনকোভাসু ৱাইল্ডকার্দ এন্ট্রি ফংদুনা শান্নগদৌরি।

# স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা শেমদোক্লবা এস ও পি মীয়ামদা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৫(এজেন্সী): স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা থাদোরকখিবা অনলোক ৪.০গী চৎন-কাঙলোন অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা তোঙান তোঙানবা সেন্টরশিংদা শান্নবগী থবক থৌরমশিং মখা তানা চথনবগীদমক শেমদোক্লবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর (এস ও পি) মীয়ামদা খঙহনখ্রে।

নৌনা শেমদোক্লবা এস ও পিনা হৌজিক হৌজিক স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা সিটিশিংদা লৈরিবা নেসনল সেন্টরস ওফ এক্সলেন্সতা পাঙথোক্লিবা ওলিম্পিক শরুক য়াননবগী এথলেটশিংনা কেম্প চথুরিবা অদুদা চৎনবা হৌহনখ্রে।

নৌন শেমদোক্লবা এস ও পি অসি মমাঙদা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা ফোঙদোকখিবা হান্নগী এস ও পি অদুদগী শেমদোক-শেমজিন খরা তৌরগা ট্রেনিং কেম্পশিং অদুদা লাকখিবা অনৌবা ট্রেনিশিং অদু য়েংলগা থমখিবনি।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা, নেসনল কেম্পশিংদা লৈরিবা এথলেটশিং, কোচশিং অমদি সপোর্ট ষ্টাফ পুম্নমক্কী ওইবা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবগী মতাংদা অচঙবা শেনফম পুম্নমক সাইনা পুথোক্কনি হায়রি।

অনৌবা এস ও পিগী মতুংইন্না কেম্প অমা শরুক য়ানবগীদমক্তা খনগৎলবা শান্নরোয়শিংনা কেম্প অদু শরুক য়াদ্রিঙৈগী মাঙওইননা ওইব সেল্ফ আইসোলেসন তৌগদবনি। লোয়ননা শান্নরোয়-শিংনা কেম্প পাঙথোকফম ওইরিবা সেন্টরশিংদা য়ৌরক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা নুমীৎ মরিনিগী মমাঙদা কোভিদ-১৯গী ওইবা আর টি/পি সী আর টেষ্ট তৌগদবনি। হায়রিবা টেষ্ট অসি শান্নরোয় খক্তা নত্তনা কোচ অমসুং সপোর্ট ষ্টাফশিংসু কোনশিনগনি।

টেষ্ট অদুদা নেগেটিভ ওইরকপগী সার্টিফিকেট অদু পুথোক্লবা মতম অদুদতা ট্রেনিং কেম্প তৌফম অদুদা চঙবা য়াগদৌরিবনি।

নাকল অমরোমদা, করিগুন্বা এথলেট, কোচ নৎত্রগা সপোর্ট ষ্টাফশিংনা মখোয়-মখোয়গী লৈফমদগী ট্রেনিং কেম্প মফম অদু য়ৌনবা হোৎনরকপদা মাঙজৌননা খুদোংচাদবা লৈবদগী টেষ্ট তৌবা ঙমহৌদ্রবসু মখোয়না ট্রেনিং সেন্টর অদু হেক য়ৌরকপগা আর টি/পি সী আর খুদক্তা তৌগদবনি।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী অনৌবা এস ও পি অসিগী মতুংইন্না শান্নরোয়, কোচ অমসুং সপোর্ট ষ্টাফশিংনা কেম্পতা য়ৌরক্তুনা ক্বারন্টিন চথবগী তরুকনি শুবা নুমীৎতা আর টি/পি সী আর টেষ্ট পাঙথোক্লবা মতুং নেগেটিভ ওইরবা মতম অদুদা শান্নবগী থবক থৌরমশিং চথবা য়াগদৌরি।

নৌনা লাকপা শান্নরোয়, কোচ অমসুং সপোর্ট ষ্টাফশিংনা মাঙজৌননা কেম্প অদুদা লৈরিবা মীওইশিং অদুগা তোৎন-তীন্নবগী থবক তৌরোইদবনি। মখোয়না নুমীৎ তরেৎনিগী মতুংদা মখা তাবা টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইরবা মতমদা হান্না লৈরিবা মীওইশিং অদুগা নকশিন্নবা য়াগদৌরি।

করিগুম্বা কেম্প মনুংদা এথলেট, কোচ নৎত্রগা সপোর্ট ষ্টাফশিংগী মনুংদা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা নৌহৌননা পোজিটিভ ওইরক্লবদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পি, ষ্টেট লৈঙাক্লা থল্লিবা কাঙলোন, সাইগী এস ও পি অমসুং লোকল বোদিশিংগী কাঙলোনশিং অদুগী মতুংইন্না থবক পায়খৎকনি।

# য়ু এসকী রায়ন ক্রোজরনা সোট পুট ইভেন্টতা রেকোর্দ থমখ্রে



জাগ্রেব, সেপ্টেম্বর ১৫(এজেন্সী): ক্রোসিয়াগী কোনুং জাগ্রেবতা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড এথলেটিক্স কোন্টিনেন্টেল টুর গোল টুর্নামেন্টতা য়ু এসগী এথলেট রায়ন ক্রোজরনা মিট অদুগী সোট পুট ইভেন্টকী অনৌবা রেকোর্দ থম্বা ঙমখ্রে।

য়ু এসকী এথলেট অদুনা সোট পুট অদু মিটর ২২.৭৪ লংদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখি। কুমজা ২০১৬তা সিটি অদুমক্তদা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসনদা রায়ন ক্রোজরনা মিটর ২২.২৮ লংলগা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখিবনি।

রেকোর্দ অদু ঙরাং মশামক্লা মিটর ২২.৭৪ লংলগা থুগায়বা ঙমখি। ঙরাংগী কম্পিটিসন অদুদা ওলিম্পিক চেম্পিয়নসু ওইরিবা য়ু এসকী এথলেট রায়ন ক্রোজরনা অহানবা রাউন্দদা মিটর ২১.০৩ লংখি। অনীশুবা রাউন্দদা মিটর ২২.১০ লংবা ঙমখি। অদুগা ক্রোজরনা অহুমশুবা রাউন্দদা রেকোর্দ ওইখিবা মিটর ২২.৭৪ লংদুনা অতোপ্পা এথলেটশিং অদুবু নাথৈদুনা থল্লমখি।

ক্রোজরবু চাউনা লম্বা তৌরকখিবা অতোপ্পা এথলেটশিং অদুদি, মমাঙদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্বা জো কোবাক্স অমসুং ক্রোসিয়াগী দেবিদ ষ্টোর্লনি।

চেম্পিয়ন ওইরবা রায়ন ক্রোজরনা ফোঙদোকখিবদা, ঙরাং মহাক্না সোট পুট অদু মিটর ২২.৭৪ লংবা ঙমখিবা অদু মহাক্কী করিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা থ্রো ১০গী মনুংদা অমা ওইখি হায়রি। মহাক্কী মায়কৈদগী মিটর ২৩ লংনবা শেম-শাদুনা লৈরি।

# কারুসোনা সেন্দগ্রেন মায়থীবা পীদুনা ইটালিয়ন ওপন টেনিস টুর্নামেন্টকী ২শুবা রাউন্দদা জোকোবিসকা থেংনরগনি

রোম, সেপ্টেম্বর ১৫(এজেন্সী): ইটালিগী শান্নরোয় সালভাটোর কারুসোনা রোমদা শান্নবা ইটালিয়ন ওপন টেনিস টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দদা য়ু এস এগী টেনিজ সান্দগ্রেনদবু মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা সর্বিয়াগী নোবাক জোকোবিসকা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী টেনিসকী রেঙ্কিংদা ৮৭শুবা পোজিসনদা লৈরিবা কারুসোনা য়ু এস এগী টেনিজ সান্দগ্রেনগা ঙসি অঙনবদা লম্বা তৌনখিবা অহানবা রাউন্দগী মেচতা ৩-৬, ৬-৩, ৭-৬ (৭-৪) থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা হন্দক্তা য়ু এস এ ওপন গ্রান্দ স্লাম টেনিস টুর্নামেন্টতা লাইন এম্পয়রদা বোল য়ৈশিল্লুবগীদমক দিসক্বালিফাই তৌখিবা সর্বিয়াগী নোবাক জোকোবিসকা শান্নরগনি।

অতোপ্পা নুপাগী অহানবা রাউন্দ মেচ অমদা কৈ নিসিকোরিনা স্পেনগী রামোস ভিনোলাসপু ৬-৪, ৭-৬ (৭-৩)দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকা অমসুং ইটালিগী এল মুসেতি অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি।



ক্রোসিয়াগী শান্নরোয় মারিন সেলিকনা কজাখষ্টানগী এ বুব্লিকপু অহানবা রাউন্দ মেচতা ৬-৭ (৪-৭), ৬-২, ৬-৪দা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা বেলজিয়মগী টুর্নামেন্ট অসিদা ৬শুবা সিদেদ ওইরিবা দেবিদ গোফিনগা লম্বা তৌনরগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সিদেদ গ্রিসকী ষ্টিপানোস সিসিপাসনা অনীশুবা রাউন্দদা ইটালিগী জে সিনরগা লম্বা তৌনগনি। সিনরনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মেচতা ফ্রান্সকী বি পাইরেবু ৬-২, ৬-১ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৯শুবা সিদেদ রসিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেবনা অনীশুবা রাউন্দদা পোলেনগী ঐচ হুরকাজগা শান্নগনি। রুব্লেবনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মেচতা আর্জেন্টিনাগী এফ বগনিসপু ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি। অমরোমদা, হুরকাজনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মেচতা গ্রেট বৃটেনগী দি ইবান্সপু ৬-৩, ৩-৬, ৭-৫ তা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১২শুবা সিদেদ কনাদাগী দেনিস সাপোভালোবনা অর্জেন্টিনাগী জি পেলাবু ৬-২, ৬-৩ দা অহানবা রাউন্দ মেচ থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা য়ু এসকী সাম ক্বেরিবু ৬-৩, ৭-৬ (৭-৩) দা থোইরম্বা স্পেনগী পি মার্টিনেসকা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী কাঙলুপতা ষ্টিটোনিয়াগী অনা কোন্টাভেটনা ফ্রান্সকী সী গারসিয়াবু ৬-৩, ৭-৬ (৭-১)দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

# জিওনবুক এফ সীনা উলসান হুন্দাইবু পাঞ্জল ২-১দা থোইখ্রে

সিওল, সেপ্টেম্বর ১৫(এজেন্সী): সাউথ কোরিয়াগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা কোরিয়া লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ২১ শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা জিওনবুক এফ সীনা উলসনা হুন্দাইবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, উলসান হুন্দাইনা মমাঙগী রাউন্দ ২০ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৪৭ ফংলগা টিম ১২গী লম্বাদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈখিবনি। অমরোমদা, জিওনবুক এফ সীর রাউন্দ ২০দা পোইন্ট ৪২ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈখি।

ঙসিগী মেচ অদুগী হৌরকপা শুপ্নগী মিনট অনী য়ৌরকপদা জিওনবুক এফ সীগী মায়কৈদগী মোদো বারোনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। টেবলগী লুচিংবা উলসনা হুন্দাইগী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর অদু ফংননবা য়াম্না কন্না হোৎনখ্রবসু কান্নবা ফংদনা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১৮ চনশিল্লকপদা জিওনবুক এফ সীদা চথুখিবা মখা তাবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় গিওৱোন হাননা ৬৩শুবা মিনটতা টিম অদুগী অনীশুবা পাঙ্গল চন্দুনা উলসান হুন্দাইবু ২-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। মেচকী অরোইবা মিনটতা উলসান হুন্দাইগী মায়কৈদগী জুনিয়র নেগ্রাওনা পেনাল্টি অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা সেংজু সেংমুনা গ্বাংজু এফ সীবু পাঞ্জল ১-০দা থোইখি। মেচ অদু হৌরকপদগী টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা লম্বা মান্নরকখিবা মরম্না অহানবা হাফকী মিনট ৪৫ অদু পাঞ্জল অমত্তা লৈনখিদে। অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতমসু টিম অনীমক পাঞ্জল চন্নদনা লৈরকপদগী মেচ অদু দ্রো চৎপগী ফীভমদা লাকখি। অদুবু অরোইবা মীকুপতা সেংজু সেংমুগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবা অদুনা মেচ অদু মখোয়না থোইবা ঙমখি। মায়পাকপা অদুনা মরম ওইরগা সেংজু সেংমুনা লিগ অসিগী রাউন্দ ২১ শান্নবা লোইশিনখিবদা হান্না ফংলম্বা পোইন্ট ৩৫ দগী মখা তাবা পোইন্ট অহুম হাপচিন্দুনা পুন্না পোইন্ট ৩৮ ফংলগা লিগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অহুমশুবদা লৈরি।

# বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসন্না থোমাস অমসুং অবর কপ য়ৈথোকপগী ৱারোল কনফর্ম তৌখ্রে, ইন্দিয়ানা শৌগৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৫(এজেন্সী): বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী লমজিং মখাদা চহী অসিগী ওক্টোবর ৩ দগী ১১ ফাওবা দেনমার্ককী সিটি অরহসতা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা মালেমগী বেদমিন্টন শান্নবা লৈবাকশিংগী ওইবা টিম টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা থোমাস এন্দ অবর কপ অদু য়ৈথোক্লে হায়না ওফিসল ওইবা ৱারোল ফোঙদোরকখ্রে। বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বি দব্লিয়ু এফকী ৱারেপ অদু শৌগৎখ্রে।

কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা চহী অসিগী মার্চ ময়াই চনশিল্লকপদগী শান্নবগী দিসিপ্লিন খুদিংমক হান্না পাঙথোক্লম্বা টুর্নামেন্টশিং লেপখিবা অমদি নৌনা পাঙথোক্কদবা টুর্নামেন্টশিং অদুসু মতম য়ৈথোক্তুনা লাকখিবনি।

থোমাস এন্দ অবর কপ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসি দেনমার্কতা ওক্টোবর ৩ দগী ১১ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদুদা মাঙজৌননা ওষ্ট্রিলিয়া, টাইৱান, থাইলেন্দ, সাউথ কোরিয়া অমসুং ইন্দোনেসিয়াগা শরুক য়াবা ঙম্লরোই হায়না ফোঙদোরকপা লৈখ্রবনি। টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মেম্বর এসোসিএসন, কম্মর্সিএল পার্টনরশিং অমদি অতোপ্পা মরুওইবা ষ্টেকহোল্ডরশিংগী ওইবা অথুবা মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুং টুর্নামেন্ট অদু য়ৈথোকপগী ৱারেপ লৌখিবনি।



বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবা ৱারোল অমদা থোমাস এন্দ অবর কপ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসি য়ৈথোক্লবা মতুং কুমজা ২০২১ লোইশিল্লকপা ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্লবা নৌনা পোরম কয়াৎতুনা থমখ্রে হায়রি।

মরক অসিদা, বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী জেনরেল সেক্রেটরি অজয় সিঙ্গানিয়ানা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসন্না লৌরক্লিবা খোঙথাং অদু শৌগৎলি হায়রি।

বি দব্লিয়ু এফনা ইন্টরনেসনল বেদমিন্টন অসি কোভিদ-১৯গী লোকদাউন লৈরুরবা মতুং নৌহৌননা পাঙথোক্লনবা শীল্লকপদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা অদুবুসু থাগৎলক্লি। দেনমার্কতা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎকী চৈথেং অদু অতোপ্পা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা থেংনরিবা থাক অদুগা য়েংনরুবদা নেম্বা মরম্না বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসন্না থোমাস এন্দ অবর কপ টুর্নামেন্ট অদু পাঙথোক্লনবা শীল্লকপনি। অদুবু শরুক য়াগদবা লৈবাকশিংগী মনুংদা মরুওইবা শান্নরোয় কয়া অমা লৈরিবা লৈবাক ৫ না ৱিদ্রো তৌরকপদগী টুর্নামেন্ট অদু য়ৈথোকখিবনি।

অদুবু বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসন্না ওক্টোবর ১৩ দগী ১৮ ফাওবা দেনমার্ককী ওদেন্স সিটিদা পাঙথোক্লবা শীল্লিবা দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০২০ অদুদি য়ৈথোক্তনা অদুম্মক পাঙথোক্কনি হায়রি। অমরোমদা, ওক্টোবর ২০দগী ২৫ ফাওবা পাঙথোক্কদবা দেনমার্ক মাষ্টরস বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অদুদি য়ৈথোক্লে হায়না ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী মায়কৈদগী হান্না লেপখিবা এসিয়ন লিগ টুর্নামেন্টশিং অদুগীসু অনৌবা মতম অমা শেমদোক্কনবা শেম-শাদুনা লৈরি হায়রি।

# এ এফ সীগী ক্লব অল সাদকী শান্নরোয় কোভিদ পোজিটিভ ওইরে

দোহা, সেপ্টেম্বর ১৫(এজেন্সী): এসিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা এ এফ সী চেম্পিয়ন্স লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারিবা কটারগী ক্লব অল সাদকী শান্নরোয় সারুদ অল নজর কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি, অল সাদ ফুটবোল ক্লবনা ঙসি অথেংবদা য়ুনাইটেদ অরাব ইমিরেটসকী ক্লব অমগা লম্বা তৌনগদবনি। এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবা ৱারোল অমদা অল সাদ ফুটবোল ক্লব অদুদা কনফিদরেসনগী মায়কৈদগী পীবা য়াবা মতিক চাবা মেদিকেল সপোর্টশিং অদু পীরি হায়খি।

নীংশিংবা য়াবদি, জুলাই থাদা অল সাদকী কোচ স্পেন মচা জাবি হর্নান্দেজ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরুরবনি। মদুদসু নত্তনা সাউদি অরাবিয়াগী ক্লব অল হিলালগী শান্নরোয় মঙা অমদি সপোর্ট ষ্টাফ অমগা লোয়ননা কটারগী ফুটবোল ক্লব অল দুহেলগী শান্নরোয় অমসু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রবনি।

মরক অসিদা, য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসকী ক্লব অমা ওইরিবা অল ৱাদা কটারদা টিম অদুগী শান্নরোয় খরা কোভিদ পোজিটিভ ওইরকপদগী মতাং মতম চানা য়ৌরকপা ঙমখিদবদগী ৱিদো তৌখি। কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা থা ৭ লেপ্লুরবা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী মায়কৈদগী চেম্পিয়ন্স লিগ অদু পাঙথোক্লনবা শেম-শারকপনি।




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com